# পুং ২৪ দা অনৌবা কেস ১,১৮৩ থেংনখি, ১০ শিখি

শিলোং, মে ২১ (এজেন্সী):
মেঘলয়াদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১,১৮৩ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১০ শিহনখি হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না নৌনা থেংনখ্রবা কেস ১,১৮৩ অদুগী মনুংদা ইষ্ট খাসি হিলসতগী ৬৫৬, রিভোইদগী ২৬৫, ৱেষ্ট গারো হিলসতগী ৯০, ৱেষ্ট জাইন্টিয়া হিলসতগী ৫৩, ৱেষ্ট খাসি হিলসতগী ২৬, ইষ্ট গারো হিলসতগী ৯, ইষ্ট জাইন্টিয়া হিলসতগী ১৭, নোর্থ গারো হিলসতগী ১৭, সাউথ গারো হিলসতগী ১৭, সাউথ ৱেষ্ট গারো হিলসদগী ২৭ অমসুং সাউথ ৱেষ্ট খাসি হিলসতগী ৭ য়াওরি।

পুং ২৪ দা লায়না লাইচৎ অসিনা পুন্না মীওই ১০ শিহনখিবা অদু থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশীং ৩৮৯ শুখ্রে। মদুগী মনুংদা ৩২৪ দি ইষ্ট খাসি হিলস দিষ্ট্রিক্ট খক্তদগীনি হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪ দা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী পুন্না মীওই ৪৬৫ মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা পুননা মীওই ২০,০৬১ কোভিদ-১৯ দগী রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। ঙসি নৌনা থেংনখিবা অপূনবা কেস মশীং ১,১৮৩ অদু থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ গী এক্তিভ কেস মশীং ৬,৪৭৭ শুখ্রে। হায়রিবা অসিগী মনুংদা ৩,৭৫৫ তি ইষ্ট খাসি হিলস দিষ্ট্রিক্টতগীনি হায়রি।



কোভিদ-১৯ না অৱাফমদা তাহল্লবা ৱাংখেম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লিশমলোক অমসুং চাবোক কবুইগী মীওইশিংদা এ সী অসিগী সোসল ৱার্কর খারিবম জিবননা চানা থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাং পীখিবা

# অসাম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মেঘলয়াদা নোং কন্না চুরগনি

গুৱাহাটি, মে ২১ (এজেন্সী):
অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘলয়া অমসুং সিক্কিমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ইরাই নুমিৎ অমসুং মথংগী পুং ২৪ মনুংদা নোং কন্না চুরগনি হায়না ইন্দিয়ান মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি) না ইরাই নুমিত্তা মাংজৌননা লাউথোকখ্রে।

আই এম দিনা অন্দামান নিকোবর ঈথৎশিং, সব-হিমালিয়ন ৱেষ্ট বেঙ্গল, কোষ্টেল অন্ধ্রপ্রদেশ, য়াঙম, করনাটাকা, কেরলা অমসুং মহরাষ্ট্রগী সমুদ্র মপান অমসুং মনুং হঞ্জিনবা মফম কয়াদা অকনবা মওংদা নোং কন্না চুগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

সিক্কিম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাগী মফম খরদা অখাক অরাও য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলকপা য়াই হায়নসু লাউথোকখ্রে।

# এম এল এ ৩ সংস্কৃততা ৱাশক লৌখ্রে

গুৱাহাটি, মে ২১ (এজেন্সী):
অসাম এসেমব্লিগী সেসন হৌবা অহানবা নুমিৎ ইরাই নুমিত্তা এম এল এ ওইনা ৱাশক লৌখিবা লেজিসলেচর ১২৫ গী মনুংদা এম এল এ অহুমনা সংস্কৃত লোলনা ৱাশক লৌখি।

সংস্কৃত লোলনা ৱাশক লৌখিবা এম এল এ অহুম অদুদি নালবারিগী এম এ লএ জয়েন্ত মালা বরুৱা, হাজোগী এম এল এ সুমান হরিপ্রিয়া অমসুং বিহপুরিয়াগী এম এল এ অমিয়া কুমার ভুয়াননি।

অসামগী সংস্কৃত য়ুনিভর্সিটি-কুমার ভাস্কর ভর্মা সংস্কৃত এনসেন্ট ষ্টাদিজ য়ুনিভর্সিটি (কে বি ভি এস এ এস য়ু) অসি মালবারিদা লৈ। পনবা য়াবদি অসাম কেবিনেটনা কুমজা ২০২০ গী দিসেম্বরদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা চলাইরিবা মদ্রাসা অমসুং সংস্কৃতকী স্কুল খুদিংমক থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

মসিগী মমাং মে ১৯ দা বোঙ্গাইগাউনগী এম এল এ অমসুং এ জে পিগী লিদর ফানিভুসন চৌধুরি এম এল এ অমসুং প্রোটেম স্পিকর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

# অৱাং নোংপোক্কী সেক্যুরিটিগী ফীভম রিভিয়ু তৌনবা আর্মী চীফ জেনরেল নারাভানে দিমাপুরদা থুংখ্রে



দিমাপুর, মে ২১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ান আর্মীগী চীফ জেনরেল এম এম নারাভানেগী নুমিৎ নীনিগী খোঙচত্তা ইরাই নুমিত্তা দিমাপুরদা থুংখ্রে। খোঙচৎ অদুগী মনুংদা ইন্দিয়ান আর্মী চীফ অসিনা অরুনাচল প্রদেশকী অৱাং থংবা বোর্দর পরিংদা আর্মীগী ওপরেসনেল রেদিনেস রিভিয়ু তৌবগা লোয়ননা অৱাং নোংপোক্কী মনুং হঞ্জিনবা লমগী সেক্যুরিটিগী ফীভম য়েংশিনগনি।

দিমাপুরদা লৈবা কোর হেদ ক্বার্টরসতা থুংবগা আর্মী চীফ অসিবু স্পেয়র কোর অমসুং দিভিজন কম্মান্দরশিং কম্মান্দ তৌরিবা জেনরেল ওফিসর লেফটনেন্ট জেনরেল জে ঙ্গন মাথিওনা অৱাং থংবা বোর্দর পরিংদা লৈরিবা আর্মীগী ওপরসনেল প্রিপিয়রদনেস অমসুং হৌজিক লৈরিবা ফীভমগী মতাংদা ব্রিফ তৌখি।

জেনরেল নারাভানেনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ন আর্মীনা লদাখ রিজনগা নক্কনা লৈরিবা চাইনিজ মিলিটরিগী ত্রেনিং এরিয়াশিংদা চথরিবা মখোয়গী মিলিটরি দ্রিল য়াওনা চাইনিজ মিলিটরিগী এক্তিভিটিশিং কুপ্না য়েংশিল্লি। পাঙ্গোং পাৎকী এরিয়াশিংদগী নাকল অনীনা ত্রুপশিং হন্দোক্লখিবদগী হৌজিক ফাওবদা নাকল অমত্তনা য়ানখিবা ৱাফমশিং থুগাইনবা অমত্তা লৈত্রি।

জেনরেল নারাভানেনা নাকল অনীমক্না অতৈ মফমশিংগী ইশ্যুশিংসু থুনা লৈখায় তাবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি। ইন্দিয়ান আর্মী চীফ অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিক ফাওবদা নাকল অনীমক্না য়ানখিবগী মতুং ইন্না ত্রুপশিং হন্দোক্লবগী কাঙলোনশিং চুম্না চথনরি।

# রিতুল সাইকিয়া থাদোরক্লে

গুৱাহাটি, মে ২১ (এজেন্সী):
উলফা (আই) না ফাখিবা ও এন জি সীগী ইমপ্লোয়ী রিতুল সাইকিয়া ইরাই নুমিত্তা লালহৌবা গ্রুপ অসিনা মখোয়গী কষ্টদিদগী থাদোকখ্রে। রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না ও এন জি সীগী ইমপ্লোয়ী অসি নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইন্দিয়া-ম্যান্মার বোর্দর পরিংগী মফম অমদা আউটফিট অসিনা থাদোরকখিবনি।

হৌখিবা এপ্রিল ২১ দা ও এল দি সীগী ইমপ্লোয়ী অহুম উলফা (আই) গী কাদরশিংনা সিবসাগর দিষ্ট্রিক্টকী লকৱাদা লৈবা ও এন জি সীগী রোমানিয়ন ৱার্ক-ওভর রিকতগী কিদনেপ তৌখিবনি। মমাংদা ইমপ্লোয়ী অহুম অদুগী মনুংদা ইমপ্লোয়ী অনী-মোহিনি মোহন গোগোই অমসুং অলাকেস সাইকিয়া ইন্দিয়ন আর্মী অমসুং নাগালেন্দ পুলিসনা চথখিবা জোইন্ট ওপরেসন অমদা মোন দিষ্ট্রিক্টকী ভিলেজ অমদগী রেস্ক্যু তৌখিবনি। জোইন্ট টিম অদুনা রিতুলবুদি রেস্ক্যু তৌবা ঙখিদবনি।

# দরং পুলিসনা ব্রাউন সুগরগা লোয়ননা দ্রগ পেদলর অমা অসামগী মঙ্গলদাইদগী ফারে

গুৱাহাটি, মে ২১ (এজেন্সী):
অসামদা হৌখিবা চয়োল অনীরোম অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা তোঙান তোঙানবা দ্রাইভশিংগী মনুং চন্না ঙসিসু মঙ্গলদাইদগী মীওই অমা ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা দরং পুলিসনা ফারে হায়রি।





মঙ্গলদাইদা লোনা য়াদবা মওংদা মীওই খরনা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক চথুরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদগী মফম অদুদা পুলিসনা য়াম্না চেকশিন্না শেন্নদুনা লাকখিবনি।


ঙসি অয়ুক নোংঙাল্লমদাইদা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মীওই অমা মঙ্গলদাইদা লৈবা পুলিস আউটপোষ্ট অমা ফাওরগা চৎখিবা দ্যুটি তারিবশিংনা উখি। মদুদা চিংনবদগী পুলিস পর্সনেল খরনা মহাকপু তান্নদুনা ফারবা মতুং চেক তৌরুবদা ব্রাউন সুগর হাপ্পা কৌতা মচা খরা পুরগা চৎলম্বা থেংনখিবনি।

ফারবা মীওই অদুদগী পুলিসনা শেল ওইনা লুপা ১,৮০০, মোবাইল ফোন অমা অমসুং ব্রাউন সুগর হাপ্পা অপিকপা কৌতা মরি ফগাৎপা ঙমখ্রে। পুলিসনা ফারবা মীওই অদু লৈখিদ্রবা মধুমিয়াগী মচানুপা জলাল উদ্দিন সেখ কৌবা অমনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

পুলিসনা ফারবা মীওই অদুগী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা ৱাহং পাউহংগী থবক চথবা হৌখ্রে। দরং পুলিসনা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ফাখিবা দ্রগ পেদলর অনী শুখ্রে।

অমরোমদা মঙ্গলদায়দা লৈবা প্রাইভেট বেঙ্ক অমা লুট তৌনবা হোৎনরম্বা মীওই ৪ অমসু দরং পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখ্রে। মঙ্গলদায়গী শাম্পুর এরিয়াদা লৈবা প্রাইভেট বেঙ্ক অমদা শকখঙদবা মীওই মরি অদুনা কন্ত্রিমেদ পিষ্টোলশিং শীজিন্নরগা বেঙ্ক অদুগী মেনেজরদা কিহন খঙহন্দুনা নম্ফুদা শেল লৌনবা হোৎনরিঙৈদা বেঙ্ক অদুগী মথক থংবা শরুক্তা লৈবা সেক্যুরিটি গার্দ অমনা পুলিসতা পাউ পীরক্লবা মতুং খোঙলৈ থুনা পুলিসনা মফমদুদা চঙশিনখি। অমদি পুলিসকী অখন্নবা টিম অমনা ওভর পৱার তৌদুনা লুট তৌনবা হোৎনরম্বা মীওইশিং অদু ফাখিবনি হায়রি। মখোয়দগী কন্ত্রিমেদ পিষ্টোল অনী অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরু ৮ ফগাৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

## CROSSWORD-3787




### ACROSS

1 High-kicking dance (6)
4 Fought with swords (6)
8 Shifted (5)
9 Victory (7)
10 Selected passage (7)
11 Higher (5)
12 Drowsy (9)
17 Relating to sight (5)
19 Large flightless bird (7)
21 Delicate (7)
22 From Switzerland (5)
23 Vigour (6)
24 Former name of Sri Lanka (6)

### DOWN

1 Force (6)
2 Beginners (7)
3 Tree related to the birch (5)
5 Keep out (7)
6 Move furtively (5)
7 Wish for (6)
9 In an undertone (5,4)
13 Sardonic (7)
14 Petty (7)
15 Hot beverage (6)
16 Selected (6)
18 Tantalise (5)
20 Savour (5)

**Solution 3786**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3586

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 7 | 5 | 4 | | 9 | | 3 |
| 5 | | | | | 1 | | 6 | |
| | | 6 | | | 9 | | | |
| 4 | | | | | | | 9 | 8 |
| 9 | | | 3 | | 4 | | | 7 |
| 6 | 1 | | | | | | | 4 |
| | | | 6 | | | 3 | | |
| | 6 | | 1 | | | | | 9 |
| 3 | | 5 | | 9 | 7 | 1 | | |

### Solution-3585

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 1 | 6 | 3 | 4 | 5 | 8 | 7 | 9 |
| 4 | 7 | 5 | 9 | 6 | 8 | 3 | 2 | 1 |
| 3 | 9 | 8 | 1 | 7 | 2 | 5 | 6 | 4 |
| 1 | 5 | 4 | 7 | 8 | 6 | 2 | 9 | 3 |
| 7 | 8 | 9 | 5 | 2 | 3 | 1 | 4 | 6 |
| 6 | 3 | 2 | 4 | 1 | 9 | 7 | 8 | 5 |
| 8 | 2 | 1 | 6 | 3 | 4 | 9 | 5 | 7 |
| 5 | 6 | 3 | 8 | 9 | 7 | 4 | 1 | 2 |
| 9 | 4 | 7 | 2 | 5 | 1 | 6 | 3 | 8 |

## /EMPLOYMENT NEWS

EMRS Teacher Recruitment 2021 recruitment.nta.nic.in: Ministry of Tribal Affairs (MoTA) has published EMRS Notification 2021 for selection of Teaching staff for Eklavya Model Residential Schools (EMRSs). The EMRS Teaching staff selection examination 2021 online registration will be start from 1st April 2021 to 31st May 2021.
EMRS TEACHING STAFF SELECTION EXAM (ETSSE) 2021
Name of the Post
No of Vacancies
Trained Graduate Teachers (TGT)
1906
Post Graduate Teachers (PGT)
1207
Vice Principal
114
Principal
173
Age Limit:
TGT: Up to 35 years
PGT: 40 years
Vice Principal: 45 years
Principal: Not exceeding 50 years
Pay Scales:
TGT: Level 7 Rs 44900 - 142400/-
PGT: Level 8 Rs 47600 - 151100/-
Vice Principal: Level 10 Rs 56100 - 177500/-
Principal: Level 12 Rs 78800 - 209200/-
Educational Qualification and Experience:
Principal:
(1) Master's degree.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(4) Minimum 10 years teaching Vice principal / PGT / TGT) in a recognized high school/ Higher secondary school / Senior Secondary School/ Intermediate college.
Vice Principal:
(1) Master's degree, and B.Ed or equivalent degree, and Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(2) Minimum 02 years' experience of working on the post of PGT or lecturer at level 8 (Rs.47600-151100) in Central/ State Govt./ Autonomous organization of central / State Govt.
PGT:
(1) 02 years Integrated Post Graduate course in the concerned subject with at east 50% marks in aggregate (OR) Post Graduate with at least 50% marks in aggregate in relevant subjects.
(2) B.Ed.or equivalent degree from a recognized University (Not applicable on PGT IT).
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
TGT:
(1) 04 years Integrated Degree course of Regional College of Education of NCERT in the concerned subject with at least 50% marks in aggregate (OR) Bachelor's Degree with at least 50% marks in the concerned subject/ combination of subject and in aggregate.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Pass in the State Teacher Eligibility Test (STET) or Central Teacher Eligibility Test (CTET) Paper-II, conducted by CBSE in accordance with the Guidelines framed by the NCTE for the purpose.
(4) Proficiency in teaching in Hindi and English medium
Selection Process: EMRS Teaching Staff Selection Exam (ETSSE) will be conducted in Computer Based Test (CBT) Only.
Application Fee:
2000/- for Principal and Vice Principal Posts.
1500/- for PGT and TGT posts.
The fee can be submitted only online through Net Banking, Credit Card, Debit Card, UPI or Paytm Services etc.
No fee for SC / ST / PWD category candidates.
How to Apply: Eligible Interested Indian Citizens apply online through National Testing Agency (NTA) Recruitment Portal (recruitment.nta.nic.in) from 1st April 2021. The last date for registration of online applications is 30/04/2021. The Last date for registration of online application has been extended up to 31/05/2021.

Bihar Postal Circle GDS Recruitment 2021: Indian Post, Bihar Post Office invites online applications from minimum 10th 12th class passed candidates for the selection and engagement to the posts of Gramin Dak Sevaks (GDS) under Bihar Postal Circle. The closing date for submission of GDS Online Registration is 26th May 2021.
Name of the Post
No of Vacancies
Gramin Dak Sevaks (GDS) – Branch Post Master, Assistant Branch Postmaster (ABPM), Dak Sevak
1940
Community wise Consolidation of Posts: EWS - 146, OBC - 510, PWD-A - 12, PWD-B - 05, PWD-C - 23, PWD-DE - 02, SC - 294, ST - 45, UR – 903.
Age Limit:
Minimum 18 years and Maximum 40 Years as on 27th April 2021.
The upper age relaxation - 05 Years in case of candidates belonging to SC / ST, 03 Years to those belonging to OBC. [Plus 10 Years for PWD Category Candidates]
Eligibility:
Secondary School Examination pass certificate of 10th standard (Matriculation) with passing marks in Mathematics, local language and English (having been studied as compulsory or elective subjects) conducted by any recognized Board of School Education by the Government of India/ State Governments/ Union Territories in India shall be a mandatory educational qualification for all approved categories of Gramin Dak Sevaks.
Compulsory knowledge of Local Language (Hindi).
Basic Computer Training - This requirement of basic computer knowledge certificate shall be relaxable in cases where a candidate has studied computer as a subject in Matriculation or class XII or any other higher educational level.
Knowledge of Cycling.
Job Residence: The candidate selected for the post of GDS BPM must mandatorily take up his/her residence in the Branch Post Office village within one month after selection but before engagement as Gramin Dak Sevak Branch Postmaster. The candidate shall submit a declaration to this effect in the application. The candidate selected for the post of other than GDS BPM should reside in post village/delivery jurisdiction
Selection Process: Selection will be made as per the automatic generated merit list based on 10th Standard Marks. Passing of all the subjects as per the respective approved board norms is mandatory for taking candidate into account for calculating the merit. In case candidates get the same marks, the merit order would be taken as DOB (higher age as merit), ST Female, SC Female, OBC Female, UR female, ST Male, SC Male, OBC Male, UR Male.
Application Fee:
100/- for General (OC) / OBC / EWS Male / Trans-man Category Candidates.
Payment of fee is exempted for all female/ trans-woman candidates, all SC/ST candidates and all PwD candidates.
The fee for each set of five options. Candidate who requires to make the payment has to visit any Head Post Office or other identified Post Offices in India. The applicant can also pay the fee through online mode of payment using AP Post Online portal.
How to Apply: Eligible Candidates should be apply online for Bihar Circle Gramin Dak Sevak Vacancy 2021 through India Post GDS Online Portal from 27th April 2021. The Candidates first fill online application, then upload documents and submit Post preferences. Preview and take print out for reference. The last date for submission of online application is 26/05/2021.







